# ইন্দিয়াগা ৱারী শান্ননবগীদমক পাকিস্তাননা শান্তি ওইবা ফিভম অমা শেমগৎপা তঙাইফদে



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৩ঃ*

পাকিস্তানগা ৱারী শান্ননবা মতম পুন্নমক্তা শেম শাদুনা লৈ। অদুম ওইনমক পাকিস্তাননা হিংশা অমসুং টেরোরিজম লেপহনবদা মতেং পাংননবা অমদি মহৈ ফংগদবা মওংদা ফিভম অমা শেমগৎপা তঙাইফদে।

এক্সটর্নেল এফিয়াস মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই বিকাস স্বারুপনা হায়, ৱারী শান্নবদা য়াদবা অমত্তা লৈতে। অদুম ওইনমক পাকিস্তাননা ৱারী শান্ননবগীদমক শান্তি ওইবা ফিভম অমা তঙাইফদনা শেমগৎকদবনি।

পাকিস্তাননা টেরোরিজম শৌগৎপা তোত্তুনা শাফবা ফিভম অমা শেমগৎতুনা ৱারী শান্নগদবনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈবাক অনীনা ৱারী শান্নবগী চুন্নবা ফিভম অদু লাক্ত্রি। লাইন ওফ কন্ত্রোল লমদমদা ঙমখে লান্না নোংমৈ কাপ্পবা অমসুং টেরর এটেক কয়া চত্থরকপগী থৌদোক নুমিৎ খুদিংগী থোক্লি। লোয়ননা ঙমখে লান্না চংশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী লান্মীদা এটেক তৌরক্লি।

ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা হিংশা অমসুং টেরোরিজমগী লমদা মতেং পাংননবা অমসুং ৱারী শান্ননবগী ফিভম অমা শেমগৎপা তঙাইফদে। হিরম খুদিংমক্কী মতাংদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগা ৱারী শান্ননবা শেম শাদুনা লৈ হায়খি।

পাকিস্তানগী সেনিয়র জেনরেল অমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা চাইনা-পাকিস্তান ইকোনোমিক কোরিদোর প্রোজেক্ট কয়া চত্থরি। ইস্লামবাদনা মলটি বিল্লিয়ন দোল্লর কয়া লল্লোল ইতিক তৌনবগী খুদোংচাবা ফংলি।

অদুম ওইনমক ইন্দিয়া অমসুং যুমথংনবা লৈবাকশিংগী মতাংদদি ইশু অমা ওইরি। মদু নিংথিনা য়েংশিনবা তঙাইফদে। অরাবিয়ান সমুদ্র ফাওনা লল্লোল ইতিক তৌবা অমসুং চাইনাগী নোংচুপ থংবা শরুকশিংগা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪৬ য়ৌনা লাল্লোল ইতিক তৌননবগী পান্দম থল্লি।

ইন্দিয়ানা পাকিস্তাননা খুদুম চনবা কাশ্মীরগী শরুকশিংদা ফেজ নাইনা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎনবা হোৎনরি। পাকিস্তাননা খুদুম চনবা কাশ্মীরগী শরুকশিংদগী জম্মু অমসুং কাশ্মীর লমদমদা নারোন্দা টেরোরিষ্ট কয়া থাজিন্নবা হোৎনরক্লি। মদুগী খুদম চাংদম কয়া লৈখ্রে।

ইন্দিয়ানা যুমথংনবা লৈবাক অমত্তগা মুক্নবা পামদে। লৈরিবা ৱাথোকশিং ৱারোইশিন পুরক্নবা ৱারী শান্ননবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোরক্লি।

# লিবিয়াগী মীওই ১১১ তোংখিবা প্লেন হায়জেক তৌখ্রে

*ভালেটা, দিসেম্বর ২৩ঃ*

লিবিয়াগী কম্মর্সিয়েল প্লেন অমা হায়জেক্কর অনীনা মালটা তম্না থৈদোক্তুনা পুখিবগা লোয়ননা মখুৎতা হেন্দ গ্রেনেদ পায়বশিং অদুনা প্লেন অদু পোকখাহনগনি হায়না কিহনখ্রে হায়না মালদিজ ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

মালটা এয়ারপোর্ট ওথোরিটিগী মতুং ইন্না পামদবা থৌদোকশিং থোকপশিং য়েংশিন্নবগীদমক অমদি আইন কাইনা থবক তৌবশিং লাকশিন্নবগীদমক চংশিনখ্রে।

প্লেন অদুগী ইঞ্জিন ঙসি ফাওবা অশোই অঙাম য়াওদনা মথৌ তৌরি। ষ্টেট টেলিভিজন টি ভি এমনা ফোঙদোরকখিবদা প্লেন অদুদা হায়জেক্কর অনী য়াওরম্বগা লোয়ননা হেন্দ গ্রেনেদ পোকখায়হনগনি হায়না কিহল্লকখি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মালটা ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্টতা তারক্কদবা ফ্লাইটশিং থৈদোক্তুনা চৎহনখি। এয়ারপোর্ট ওফিসিয়েলশিংনা হায়, অফ্রিকিয়াহ এয়ারৱেজ এয়ার বস এ ৩২০ ফ্লাইট অদু সভাদগী পায়রকখিবনি।

প্লেন অদু মীওই ১১৮গা লোয়ননা ত্রিপোলিদা থুংলগদবনি। মালটিজগী প্রিমিয়র জোসেফ মুসকাদনা ফোঙদোরকখিবদা ফ্লাইট অদুদা নুপা ৮২, নুপী ২৮ অমসুং ওফিসিয়েল কয়া য়াওনা মীওই ১১১ পুদুনা লাকখিবনি।

মুসকানতা মমাঙদা হায়জেক তৌখিবগী ৱাথোক অমত্তা লৈতে। হায়জেক তৌবগী খুদোংচাদবা অদুনা মরম ওইরগা মালটাদা তারক্কদবা ফ্লাইট কয়া মায়কৈ থৈদোক্তুনা চৎহনখি।

মালটা নেসনেল সিক্যুরিটি কম্মিটিনা চত্থখিবা ওপরেসন অদুদা মতেং পাংখি। মুসকাদ ওফিসনা য়ান্নখিবা ৱারোল কয়া লৈরে হায়বদু কনফার্ম তৌবা ঙমখ্রে। লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস অমসুং নেসনেল সিক্যুরিটিগী ফিরেপ ঙাইরি হায়রি।

থেংনা ফংবা পাউ অমদা হায়জেক তৌখিবা লিবিয়াগী প্লেনদা তোংখিবা পেসেঞ্জর অমসুং ক্রু মেম্বরশিং থাদোকখ্রে হায়রি।

প্লেন অদুদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জর ১১১ অমসুং ক্রু মেম্বরশিং থাদোকখিবগী পাউ ফংবা ঙম্লে। প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই খুদিংমক থাদোকখিনবগী য়ান্নবা ৱাফম হায়জেক তৌরকখিবা মীওই ২গা য়ান্নরবা মতুং থাদোকখিবনি।

মমাঙদদি হায়জেক তৌরকখিবা মীওই অনী অদুনা প্লেন অদু হেন্দ গ্রেনেদ শীজিন্নদুনা পোকখায়হনগনি হায়না কিহনখিবনি। হায়জেকরশিং অদুনা লিবিয়াগী হান্নগী লুচিংবা মুৱামর গদাফি শৌগৎলি হায়না ফোঙদোরকপা লৈরি।

মালটিজ মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকখিবদা হায়জেক তৌখিবা প্লেন অদু অফ্রিকিয়া এয়ারৱেজনা ওপরেট তৌদুনা দোমেষ্টিক ফ্লাইট অদু পায়হনবনি। এয়ারক্রাফ অদু লিবিয়াগী সেভাদগী মীওই ১১১ পুদুনা পায়খিবনি হায়রি।





# অসামগী করবারলৱালা অমদগী অনৌবা শেনয়েক লুপা ক্রোর ২ ফাগৎলে



*নগাওন, দিসেম্বর ২৩ঃ*

অসামগী ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা লমদম অদুগী করবারৱালশিংদগী অনৌবা শেনয়েক কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে। ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা ওফিসিয়েলশিংনা লমদম অদুদা লৈবা করবারৱালাশিংগী য়ুম অমসুং লল্লোল ইতিক্কী মফমশিংদা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং থি-হুম্বগী থবক চত্থখি।

হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর ২.৩ রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। ফাগৎখিবা শেনফমশিং অদু অনৌবা লুপা লিশিং ২ অমসুং ৫০০ চৎপী ঙাক্তনি। ফাগৎখিবা শেনফমশিং অদু হেনগৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

নগাওনগী এস পি দেবরাজন উপধ্যয়ানা অদুগুম্বা শেনফমশিং অদু ফাগৎখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে। ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা লুচিংদুনা লমদম অদুদা রেদ কয়া চত্থখি। অদুম ওইনমক ওইরিবা ফিভম অদু লাকশিন্ননবা থৌশিল কয়া পায়খৎলি।

অনৌবা শেনয়েক কয়া ফাবা ঙমখিবা অদু ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। অসামদা তোঙান-তোঙানবা করবারৱালাশিংক্কী একাউন্টশিংদা থমজিল্লম্বা য়ান্নবা শেনফমশিং ফাগৎনবা থবক পায়খৎলি।

ইনকম টেক্স ওফিসিয়েলশিংনা দুকান অমদগী পান মসালা অমা লৈবদা কেস মেমো পীহন্নবা থবক পায়খৎলি। আই টি ওফিসিয়েলশিংনা ষ্টেট অদুগী মফম কয়াদা য়েংশিনবগা লোয়ননা অচুম্বা থবক পায়খৎনবা হোৎনরি হায়না আই টিগী লুচিংবা রকটিম সাইকিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

# আই জি আই এদা নাইজেরিয়া মচা অমদগী অনৌবা শেনয়েক লুপা লাক্ষ ৫৪ ফাগৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৩ঃ*

ইন্দিরা গান্ধি ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্টতা অনৌবা শেনয়েক লুপা লাক্ষ ৫৪ পুদুনা লাকপা নাইজেরিয়া মচা অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে। শেনয়েকশিং অদু মীওই অদুগী পোৎয়োম মরক্তা পুননবা হোৎনরম্বদগী ইন্দিরা গান্ধি ইনটর্নেসনেল এয়ারপোর্ট ওথোরিটিনা স্কেন তৌবদা থেংনরকখিবনি।

মীওই অদু কোয়ম্বটোরদগী দিল্লিদা লাকখিবনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। মীওই অদুদগী য়াম্লবা শেনফমশিং ফংবা ঙমখ্রে। নাইজেরিয়া মচা অদুনা লুপা লাক্ষ ৫৪ পুরম্বা থেংনখি।

মহাক্না পুরম্বা শেনফমশিং অদুগী মনুংদা লুপা লাক্ষ ৪.৯দি অরিবা, চৎনদ্রবা শেনয়েকশিং ওইরমখি। অদুগা লুপা লাক্ষ ৫৩.৭৮না লৈঙাক্না নৌনা হৌদোকখ্রবা অনৌবা শেনয়েকশিং ওইরমখি হায়রি।

মপান লৈবাক্কী মীওই অমদগী ইন্দিয়াগী অনৌবা শেনয়েক ফাগৎপা হন্দক্কী অসিনা অহানবা থৌদোক ওইরে। অদুম ওইনমক মীওই অদুদগী অরিবা শেনয়েক লুপা লাক্ষ ৪.২৯সু ফাগৎপা ঙমখি।

নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্না নভেম্বর ৮দা ৫০০ অমসুং ১০০০ চৎপীশিং চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবা মতুং লৈবাক অসিদা শেল ৱাৎপগী অচৌবা খুদোংথিবা অমা মায়োক্নদুনা লাকখি হায়রি।

# জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা মাইনস দিগ্রি ৮.২ য়ৌনা ইংবগী ফিভম মায়োক্লখ্রে

*শ্রীনগর, দিসেম্বর ২৩ঃ*

জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা কা হেন্না ইংবগী ফিভম মায়োক্লরি। নুমিদাংগী মতমদা ঈশিং ফমজিন্নগী চাং য়ৌনা লমদম অদুদা ঈংবগী ফিভম মায়োক্লরি হায়না ইন্দিয়ান মেটেরেলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অদুদা মথংগী পুং ২৪ ফাওবদা কা হেন্না ঈংবগী ফিভম অদু মায়োক্লগনি। শ্রীনগরদা মাইনস দিগ্রি সেলসিয়স ৫.৫ য়ৌনা ঈংখি। মদু মমাঙগী অহিংদা ওইখিবা চাংদগী দিগ্রি সেলসিয়স ৫.০ হন্থরবনি হায়রি।

কাশ্মীর তম্পাক্তা খ্বাইদগী হেন্না ঈংবগী ফিভম অদু মায়োক্লরি। কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম কয়াদা তোঙান-তোঙানবা দিগ্রি সেলসিয়সতা ঈংবগী ফিভম থেংনরি। লমদম অদুদা মাইনস ৪.৮তগী হৌরগা মাইনস ৫.৩ ফাওবগী চাংদা ঈংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না কাশ্মীরগী কুপৱারা লমদমদা মাইনস ৫.৪ দিগ্রি সেলসিয়স য়ৌনা ঈংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। মদু মমাঙ চহীদদি দিগ্রি সেলসিয়স ৫.১ য়ৌনা ঈংবগী খুদোংচাদবা লৈখিবনি হায়রি।

খা থংবা কাশ্মীরগী কোকেরনাগ লমদমদা মাইনস দিগ্রি সেলসিয়স ৩.৩ য়ৌনা ঈংবা থেংনখি। ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না খা থংবা কাশ্মীরগী পহলগামদা ঙসি দিগ্রি সেলসিয়স ৪.৮ য়ৌনা ঈংবগী রেকোর্দ তৌখি। মদু মমাংদদি দিগ্রি সেলসিয়স ৫.৫ য়ৌনা ঈংখিবনি হায়রি।

কাশ্মীরগী অৱাং থংবা শরুক্তা খ্বাইদগী হেন্না ঈংবগী ফিভম মায়োক্লরি। লেহ, লদাক লমদমদা মাইনস দিগ্রি ৮.২ য়ৌনা ঈংবগী ফিভম মায়োক্লরি। ওইরিবা ফিভম অদু চহী অসিগী ওইনদি ঈংবা হন্থরক্লবনি হায়না লৌগনি।

মমাঙ চহীদদি মাইনস দিগ্রি ১২.১২.১ দিগ্রি সেলসিয়স য়ৌনা ঈংবগী ফিভম মায়োক্লখি হায়রি। ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না লেহ লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ঈংবা মফম অমা ওইনা লৌনরি। মেটদিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী লমদদমশিং অদুদা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোংচুখি। লোয়ননা উন তাশিল্লকখি হায়রি।

কাশ্মীরদা নিংথম থাগী মতম য়ৌরকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লমদম অদুদা উন তাশিল্লকপনা মরম ওইরগা অইং-অশাগী ফিভম চাওনা অহোংবা লাকহল্লি। চিলাই-কলনদা চৎলিবা থা অসিগী ২১ ফাওবদা কোল ৱেব লাকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখি হায়রি।

# পাকিস্তাননা ইন্দিয়াগী ঙামী ৪৩৯ থাদোরক্লগনি

*মুম্বাই, দিসেম্বর ২৩ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা ৱারী শান্নখ্রবা মতুং পাকিস্তান জেলদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী ঙামী ৪৩৯ থাদোরক্লগনি হায়রি। খৃষ্টমাস লাকপগা লোয়ননা পাকিস্তান জেলদা ফাজিন্দুনা লৈখ্রবা ঙামীশিং থাদোরকপনা অফবা মরী অমা শেমগৎলগনি।

পাকিস্তান-ইন্দিয়ান পিপলস ফোরম ফোর পিছ এন্দ দিমোক্রেসিগী ৱাঙাংলোই জটিন দেসাইনা হায়, নোংমাইজিং নুমিৎ ঙামী ২২০ ময়ুম লমদমদা হল্লক্লগনি। অদুগা লেমহৌরিবা ঙামী ২১৯না জনুৱারী ৫ ফাওবগী মনুংদা ময়ুম লমদমদা হল্লক্কনি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙামীশিং অদু থাদোরকপগী মরম ওইরকখিবনি। দেসাইননা হায়, ইন্দিয়াগী জেলদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা পাকিস্তানগী ঙামীশিংসু য়ান্নবা ৱাফম অদুগী মখাদা থাদোক্লগনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী ঙামী ৫১৬ পাকিস্তানগী করাচি জেলদা লৈরি। ইন্দিয়া- পাকিস্তান জুদিসিয়েল কম্মিটি ওফ প্রিজনরনা ইং ২০০৮দা য়ান্নখিবা ৱাফম কয়াসু লৈখ্রে। দেসাইননা হায়, লৈবাক অনীমক্না নো এরেষ্ট পোলিসি পায়খৎতুনা ঙামীশিং অমদা অমদা ফাজিন্নদনবা থৌশিলসু লৈরি।

ঙামীশিং অদুগী হিংনবগী লম্বী অমা ওইরিবা হিশিংসু থাদোকনবগী ৱাফম লৈরি। আই পি জে সি পি থা ৬ খুদিংগী চাংনাইননা উন্নদুনা ৱারী শান্ননবসু বিজে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা শক্তি পায়রকপদগী থৌশিল অদু পায়খৎলক্লি হায়রি।

# আই এসনা খুদুম চনবা সিরিয়াগী সহরশিংদা টর্কিনা রেদ চত্থবদা ৮৮ শীখ্রে

*বৈরুট, দিসেম্বর ২৩ঃ*

সিরিয়াগী অৱাং থংবা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চনবা মফমশিংদা টর্কিনা পুং ২৪ চুপ্পা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থবদা মীওই ৮৮ শীখ্রে হায়না মোনিটরিং গ্রুপনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অল-বাবতা অকনবা মওংদা রেদ চত্থরকপদা অঙাং ২১ য়াওনা মীওই ৭২ শীখি হায়না সিরিয়ান ওবজাবেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোরক্লি।

বোম থাদবগী থৌওং অদু ইরাই নুমিৎকী অয়ুক ফাওবা চত্থখি। মদুদা মীচম ১৬ শীখি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা অঙাং ৩ য়াওখি হায়রি।

ওবজাবেটরিগী মকোক রামি অবদেল রহম্মননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা পুং ২৪দা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থরকখিবনা মরম ওইরগা মীওই ৮৮কী পুন্সি মাংখ্রে।



ওবজাবেটরিনা হায়, প্লেন কয়ানা রেদ চত্থরকখি। টর্কি ফোর্স অমসুং সিরিয়া রিবেলশিংগা চুংশিন্নবা কাংবুশিংগা অল-বাব হায়না খঙনবা সিরিয়াগী কোনুংদগী কিলোমিটর ২৫ রোম চৎলগা লৈবা মফম অদু খুদুম চন্ননবা হোৎনরি।

শগোলশেন নুমিৎতা আই এসনা থাদোরকখিবা ভিদিও ফুটেজ অমদা টর্কি লান্মী কয়া হিংনা মৈ থাবা উৎলি। লোয়ননা মফম কয়াদা জিহাদিশিংনা খুদম চনবগী ফুটেজশিং থাদোরক্লি।

টর্কি লান্মীশিংনা ওগষ্ট ২৪দা সিরিয়াদা অকনবা থবক পায়খৎপগা লোয়ননা লমদম অদুগী মরু ওইবা মফম কয়া লৌশিন্নবা হোৎনরক্লি। টর্কি ফোর্সনা চাং নাইনা সিরিয়া লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা এয়ারষ্ট্রাইক অমসুং গ্রাউন্দ ওপরেসন চত্থরি।

চত্থখিবা ওপরেসনশিং অদুদা মীচমশিং অশোই অঙাম থোকহনবা হোৎনখি হায়রি।

# মোসুলদা কার বোম ৩ পোকখায়খ্রে, মীওই ২৩ শীরে

*মোসুল, দিসেম্বর ২৩ঃ*

ইরাক লান্মীনা অমুক হন্না লৌশিনবা ঙমখ্রবা মোসুল সহরদা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা কার বোম অহুম পোকখায়হন্দুনা এটেক চত্থরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৩ শীখ্রে।

ইরাক মিলিটরিগী মতুং ইন্না কার বোম অহুম অদু পুকাজালিগী কৈথেলদা পোকখায়হল্লকখি। মফম অদুমক্তদা মীওই ১৫ শীহনখি। নাকল অমরোমদা ইরাক্কী লানগী প্লেনশিংনা জিহাদিশিং খুদুম চন্দুনা লৈবা মফমশিংদা বোম থাদখি।

মমাঙদা য়ু এননা ফোঙদোকখিবদা মোটার কাপ্পগী থৌদোক্তা ইরাক্কী শিন্মী ৫ অমসুং মীচম ৭ শীখিবা লৈখ্রে। লৈঙাক অদুনা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা থা ৩ চুপ্পা অকনবা থবক পায়খৎলি।

য়ু এন হ্যুমেনেটরিয়ান কোওর্দিনেটর ফোর ইরাক লিসে গ্রান্দিগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা অমসুং য়ুমশকৈশ নুমিৎতা মোসুলগী নোংপোক থংবা শরুক্তা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং থোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা মীচম কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে। মদুতা নত্তনা লমদম অদুদা মোটার সেল কয়াসু কাপশিল্লকপা লৈখি হায়রি। লমদম অদুদা লৈবা মীয়াম্না মালেমগী লৈবাকশিংদগী মতেং পাংলকপা ঙাইদুনা লৈরি। মখোয় হিংননবগদীমক মতেং দরকার ওইরি।

মীওইশিং অদু য়ৈখায় থিনগাইবা লৈহন্দুনা ঙাক শেন্দুনা থম্বা দরকার ওইরি। লমদম অদুদা হৌজিক রাজনিতিগী তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা থোক্লে। ইন্টর্নেসনেল হ্যুমেনটরিয়ান লো অমসুং মীওইবগী হক মাংহন্দবা অমদি হিংনবগী লমদা মতেং পাংলকপা ঙাইরি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কুকাজালিগী মনুং চনবা কৈথেল অমদা কার বোম অহুম মথং মথং পোকখায়হন্দুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংহনখ্রে। হায়রিবা মফম অদু লৈঙাক্কী লান্মীনা অমুক হন্না খুদম চনবা ঙমখিবা মফমনি।

ইরাক মিলিটরিনা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুগুম্বা এটেক অদু সুসাইদ বোম এটেক ওইখিব্রা হায়বদু চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক আই এসকী মতুং ইন্নদি মখোয়গী লান্মী ৩না সুসাইদ বোম এটেক চত্থদুনা য়ামদ্রবদা মখোয়গী মায়োক্তা লৈবা মীওই ২০ হাৎপা ঙমখ্রে। লোয়ননা লান্মীগী গারী কয়া মাংহনতাকহনখ্রে হায়না ক্লেম তৌরক্লি।

# বিহারগী সমষ্টিপুরদা য়ুঙাং কার্টুন ১৯৬কা লোয়ননা মীওই ৭ ফারে

*সমষ্টিপুর, দিসেম্বর ২৩ঃ*

বিহারগী সমষ্টিপুর দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং নুমিদাং য়ুঙাং কার্টুন ১৯৬কা লোয়ননা মীওই ৭ ফাগৎপা ঙমখ্রে। বিহারগী সমষ্টিপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা রামপুরদা অকক্লবা পাউ অমা ফংবগা লোয়ননা পুলিসকী কাংবু অমনা য়েংশিনবগী থবক চত্থবদা য়ুঙাং কার্টুন ১৯৬ অদু ট্রক অমদা পুদুনা লাকপদগী ফাগৎপা ঙমখি।

হায়রিবা য়ুঙাংশিং অদু য়ুমথংনবা ষ্টেট ঝরখন্দদা পুশিন্নবা হোৎনরমখিবনি হায়না এস পি নৱাল কিশ্বর সিংহনা ফোঙদোরক্লি। মদুতা নত্তনা ফারবা মীওই ৭ অদু আইননা য়াদবা মওংদা য়ু পুথোক পুশিন তৌবগা মরী লৈননা পুলিসনা কয়ারক হন্না ফাখ্রবা অমসুং অদুগুম্বা থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

ঙসি ফাগৎখিবা য়ুঙাংশিং অদু ষ্টেট অদুগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা খৃষ্টমাস কুম্মৈগা মরী লৈননা য়োন্ননবা পুশিল্লকখিবনি হায়না পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



বিহার লৈঙাক্না ইং ২০১৬কী গান্ধি জয়ন্তিদগী হৌনা লমদম অদুদা য়ু য়োনবা, য়ু শুংবা, লল্লোনবা, পৈশিন্দুনা থম্বা অমসুং অতোপ্পা মফমশিংদা থাদোক থাজিন তৌবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক পায়খৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

অনৌবা নিয়মগী মতুং ইন্না আইননা য়াদবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা ফাবা, থাদোকখিনবা হোৎনবা অমসুং শুংবা মীওইশিং চহী ১০ ফাওবা জেলদা থম্বা য়াই। অদুগা লুপা লাক্ষ ১দগী হৌরগা লুপা লাক্ষ ১০ ফাওবা ফাইন তৌবা য়াই হায়রি।

আইন অদুগী মতুং ইন্না নিয়ম চুমদবা মওংদা য়ু শুংবা, থাদোক্লবা হোৎনবা, পুথোক পুশিন তৌবনচিংবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা হোৎনরক্লি। খৃষ্টমাস কুম্মৈ লাকপগা মরী লৈননা লমদম অদুদা আইন কাইনা য়ু অমসুং ময়াই কাবা পোৎলমশিং য়োনবশিং লাকশিন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলক্লি। এস পি নৱাল কিশ্বরনা ফোঙদোরকখিবদা আইন কাইবা মওংদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌননবা হোৎনরম্বা মীওই ৭ ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখা তানা অদুগুম্বা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎনবা থৌশিল পায়খৎলি হায়খি।

# লৈঙাক্কী ৱেলফিয়ার স্কিম, পি দি এসকী মহৈ মরোংশিং পীননবা চপ চাবা ষ্টোক লৈ

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৩ঃ*

নেসনেল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই ক্রোর ৮০দা অতাবা মমলদা ফংহনগদবা চিঞ্জাকশিং পীনবগী চপ চাবা পুক্কে লৈ। লোয়ননা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম অমসুং লৈঙাক্কী ৱেফিয়ার স্কিমশিংগী তাঙাইফদবা চিঞ্জাকশিং পীননবগী মচাকশিংসু ৱাৎতনা লৈ।

য়ুনিয়ন কঞ্জুম্মর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর রাম বিলাস পাসৱাননা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক অসিনা নেসনেল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট চপ চানা চৎনহনবগী থৌনা লৈ। অদুগুম্বা লৈবাক্কী থৌরাং অদুনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈবা মীওই ক্রোর ৮০ রোমদা কা হেন্না হন্থবা মমলদা চানবা মহৈ মরোংশিং ফংহল্লি হায়খি।

মিনিষ্টর অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পি দি এসকী পোৎলমশিং পীবদা অহোবা লৈতনবা শেমদোক শেমজিন তৌবগী থবক পায়খৎলি। মদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পি দি এসকী পোৎলম ফংগদবা মীওই ক্রোর ৮দা চপ চানা হন্থবা মমলদা চানবা চিঞ্জাকশিং ফংহনবা ঙম্ননবগী থৌশিল পায়খৎলি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা লাইরবশিং মশক খঙদোক্তুনা কা হেন্না হন্থবা মমলদা চানবা চিঞ্জাক ফংহন্নবা লৈঙাক অসিনা হোৎনরি। মদু লৈবাক অসিদা লৈবা মীপুম খুদিংমক্কী য়াইফনবগীদমক্তনি।

লৈবাক অসিদা লৈবা রেসন কার্দ ১০০গী মনুংদা ৭১ দিজিটাইজ তৌননবা থবকসু পায়খৎলি। হৌজিক ওইরিবা লৈবাক অসিগী ফিভম অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎলি। থৌরাংশিং অদুগী মখাদা মীয়ামশিং হকথেংননা খুদোংচাবা ফংহন্নবসু হোৎনরি। মদু লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা পি দি এস অমসুং অতোপ্পা থৌশিলশিংগী মখাদনি হায়রি।

*সনা-সুদোকু- ৭৫৭ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 8 | 9 | 6 | 7 | 3 | 1 | 4 |
| 9 | 4 | 6 | 8 | 1 | 3 | 7 | 5 | 2 |
| 1 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 | 9 | 6 | 8 |
| 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 4 | 2 | 8 | 9 |
| 8 | 3 | 1 | 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 5 |
| 4 | 2 | 9 | 6 | 8 | 5 | 1 | 7 | 3 |
| 6 | 9 | 4 | 3 | 7 | 8 | 5 | 2 | 1 |
| 5 | 1 | 2 | 4 | 9 | 6 | 8 | 3 | 7 |
| 3 | 8 | 7 | 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 6 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-758**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 8 | | 7 | | |
| | | | | 5 | 4 | | | 3 |
| 5 | | | | | 2 | 9 | | |
| | | | 4 | | | 2 | 3 | |
| | 9 | | 5 | | 6 | | 1 | |
| | | | | | 7 | | | |
| | | 2 | 1 | | 5 | | | |
| | 5 | 4 | | 7 | | | | |
| | | | 6 | 2 | | | 5 | 9 |